# শুগুনু নুংথোঙ নীংথিনা শেমজিল্লগা ঙাক শেন্দুনা থম্নবা থবক পায়খৎহৌবগী তঙাইফদবা লৈরে ঃ ঐচ সি আর সি

*ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ঃ*

মণিপুর সরকারগী আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টকী মশা লোইশঙ ওইরিবা আর্কিওলোজি ওফিসনা শুগুনু নুংথোঙগী ফিভম অথুবদা য়েংশিন্দুনা মওং তানা শেমজিন-শাজিল্লগা মখা তানা তেকথা কাইথহন্দনা ঙাক-শেন্নবা থবক পায়খৎহৌবগী তঙাইফদবা লৈরে হায়না হিষ্টোরিকেল এন্দ কলচরেল রিছার্স সেন্টর (ঐচ সি আর সি) নাওরেমথোংনা ফোঙদোরক্লি।

সেন্টর অসিগী প্রসিদেন্ট নাওরোইবম ইন্দ্রমনিনা ফোঙদোরকখিবদি চৎলিবা থা অসিগী ২৪দা মহাক মশামক্না লুচিংবা মীওই ৪২না শাবা খুৎপু অমা শুগুনু নুংথোঙগী খুভমদা থিজিন খোঙচৎ অমা চৎলুরে। নুংথোঙগী খুভম অসি য়াম্না মরু ওইবা অমদি অরুবা লাইগী খুভমশিংগী মনুংদা অমনি। ইম্ফালদগী চাওরাক্না কিলোমিটর ৭৭ রোম চৎলগা লৈবা সেরৌ খুলগী খা নোংচুপ থংবা খুঞ্জিন ইম্ফাল তুরেলগী ময়াইদা নুঙগী মপৈ ওইনা লৈবা ইথৎ মচা অমদা খুভম অসি লৈরি। খুভম অসিগী নোংপোক নোংচুপ অনীদা শমজি খাইনা চেল্লিবা তুরেলগী ঈচেল অনী শম্নহল্লিবা নুঙ মপৈগী মরক খাইনা চাওরাক্না ফুট ২০ লোম পাকপা অশাংবা তুখুলগী ইরম্বু নুংথোঙ হায়না খঙনৈ। নোংচুপ থংবদা চেল্লিবা তুরেলগী ঈরম্বু অশি লম্বী অদুগা নোংপোক থংবদা চেল্লিবা ইরম্বুনা অচং লম্বী হায়না খঙনৈ। মহৌশা নীংথৌগী লৈঙাক লৈরিঙৈ মীশি মীনা তোইনা থোরকপা মতমদা সনা কোনুংগী অমাইবশিংনা খুভম অসিদা ঈরাৎ থৌরম পাঙথোক্তুনা নুংথোঙগী অপাকপা মরাক থুংনা ঈশিং মনুংদা য়োৎচৈ অমা ফৈনা পৌরোল লোল্লম্মী মসিবু নুঙথোং থিংবা হায়না খঙনৈ।

মহাক্না মখা তানা হায়, হায়রিবা মফম অসি লাইয়িংথৌ খানা চাওবা ৱাংবরেলগা তৎনা থানবা য়াদ্রবা মরীসু লৈনৈ। লাইয়িংথৌ অৱাং কৌব্রুনা মপারি ৱাংবরেলবু মখা মায়কৈদগী শরোই ঙারোই কারকপা ঙাক্লনবা খমনুং য়াংদৌ লমদা লাইজ ঈথোঙলোন, লমলৈ ইথোঙ থিং, তেৎনৌ লংহৈবীনা য়াথোঙ লোল্লুরো হায়না থৌশিবদগী লাইয়িংথৌ ৱাংবরেলনা থারৈ লমকুম্ফম, লাইজ ঈথাফম, নুঙথোং ঈথিংফমদা সনা ফম্বাল শেন্লগা শৱা মীথোঙ থিং, তেৎনৌনা য়াথোং থিংদুনা খুন্দাখি। লাইয়িংথৌ ৱাংবরেলদি লাইজ ঈশিংগী মপু ওইবা লাইনে। লাইয়িংথৌ অসিগী লৈমরেল ফম্বাল লাংবীবু ঈশিংগী মবেম্মা ঈরৈমা হায়না খঙনৈ। ৱাংবরেলনা অনাল নানফৌ চনু শঙনুবু তালোই তুইন তমদুনা ঈরৈমা মিংথোন পীদুনা সনা ফম্বাল লাংমিন্নখি। মরম অসিনা নুঙথোংগী খুভমসি লাইয়িংথৌ খানা চাওবা ৱাংবরেলগী ফম্বাল খুভম ওইবা মাংবা য়াদবা অরুবা লাইফমশিংগী মনুংদা অমনি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদি, মতম অমা নিংথৌগী লৈঙাক লৈরিঙৈ লৈবাক্কী মীশি-মীনা তোইরকপা মতমদা নুঙথোং থিংবগী লাইথৌ পাঙথোকফম ওইরম্বা, মৈতৈ খুন্নাই হৌরক্লোনগা তৎনা থানবা য়াদনা লাক্লবা খুভম অসি ঙসিদি ঙাকপী শেনবীনবা অমদি য়েংশিনববিনবা লৈতবনা শক্তুম কায়থরে। নুংথোঙগী নোংপোক থংবা অচং লম্বীগী শরুক্তা লৈরম্বা নুঙ লেপ্তুনা কোখোকখিবদগী তুরেলগী লৈমায়সু কুমথখিদুনা নুঙগী মপৈ কিন্থরকপদগী ফিভম পুন্নমক মাংলে। খুভমসিগী নুঙশিং লেপ্তুনা লৌথোকখিবনা ময়েংসু তাথরক্লে। অচং লম্বীগী ঈমায় নেমথখিদুনা অশী লম্বীগী ঈশিং নুংথোঙগী শরুক্তা চেন্থরকপনা মরম ওইদুনা হান্না ৱা মপুম অমগী মরেপ ফংলমদবা তুখুল লোইনা ফুঞ্জিনখ্রে। অসিগুম্বা মৈতৈগী য়াম্না মরু ওইবা লাইফম অমা ওইরিবা নুংথোঙগী খুভম অসি মণিপুর লৈঙাক্না মতম চানা মীৎয়েং চঙহৌদ্রবদি মতম খরগী তুংদা পুংমাং মাংখিবা য়াবগী ওইথোকপা চাওনা লৈ। মরম অদুনা খুভম অসি কন্দুনা ঙাক শেন্নবগীদমক আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টকী মশা লোইশঙ ওইরিবা আর্কিওলোজি ওফিসনা অথুবদা মীৎয়েং চঙবিফম থোকই।

# এ আরনা অধার কার্দ রেজিষ্ট্রেসন কেম্প পাঙথোকখ্রে



*ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ঃ*

২৮ সেক্টর অসাম রাইফলসকী ১৯শুবা বট্টালিয়ান অসাম রাইফলসনা চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগা খুৎশম্নরগা চৎলিবা থা অসিগী ২৩ অমসুং ২৪দা অধার রেজিষ্ট্রেসন কেম্প ওল সোমটাল ভিলেজদা পাঙথোকখ্রে।

আই জি এ আর (সাউথ)কী পি আর ওনা ঙসি থাদোরকপা চেরোলনা হায়, কেম্প অদুদা খেংজোই সব দিভিজনগী মখাদা লৈবা ওল সোম্টল, সেজাং অমসুং এস বোংজোই ভিলেজগী খুঞ্জা ৩৪২না অধার রেজিষ্ট্রেসনকীদমক ইনরোল তৌখি। অধার অসি লৈবাক অসিগী নাগরিক অমগী মশক তাক্লবা অমসুং তোঙান-তোঙানবা সরকারগী স্কিম কয়াগী কান্নবা ফঙন্নবগীদমক তঙাইফদবা অমনি।

১৯শুবা অসাম রাইফলসনা অসিগুম্বা মখলগী কেম্প পাঙথোকখিবা অসিগীদমক খুঞ্জাশিংনা অপেনবা অমসুং থাগৎপা ফোঙদোকখি। মখা তানা থা অসিগী ২৪দা ইন্দো ম্যানমার বোর্দরদা লৈবা ন্যু লাজাং, ন্যু সোমটল, য়াংনোমফাই অমসুং আইভোমজাং ভিলেজদসু অধার রেজিষ্ট্রেসন কেম্প পাঙথোকখি হায়রি।

লমায় ১ গী মখা

## ৭শুবা পে কম্মিসনগী মতাংদা মীফম পাঙথোক্কদৌরি

মসিগী মতাংদা ঙসি ফাইনান্স দিপার্টমেন্টকী পে ইমপ্লিমেন্টেসন সেলগী স্পিসিয়েল সেক্রেটরী লিমনৈকিম সিংমোননা ওফিসিয়েল ওইবা চেরোল অমা থোকখ্রে।

ফিটমেন্ট কম্মিটি অসি চীফ সেক্রেটরীনা চিয়ারমেন ওইরগা এডমিনিষ্ট্রেটিভ সেক্রেটরী (দিপি), সেক্রেটরী(লো), সেক্রেটরী (জিএদি)না মেম্বরশিং ওইরগা প্রিন্সিপাল সেক্রেটরী(ফাইনান্স)না মেম্বর সেক্রেটরী ওইবনি।

## রিভিন্যু দিপার্টমেন্টতগী ৪ সস্পেন্দ তৌখ্রে...

মহাক্কী লমগী মমিং মথা ওন্থোক্লবা হোৎনবদা হিংলিবা মনেম্বোক অসি শিরে হায়দুনা লম ওনশিন্নবা হোৎনরম্বনি। শিদ্রিবা মী অমা শিরে হায়না হায়জিল্লগা লম ওন্নবা হোৎনরম্বা অসি মন্দল নত্রগা এস দি সিগী অশোয়বনি। মরম অসিনা মসি ঙাকপীফম থোক্তে হায়দুনা থবক্তগী সসপেন্দ তৌবনি।

টি ঐচ ইবোমচা, এস কে লুক আফটর এস দি সি ,এস দি ও ওফিস চান্দেল অসিনা মহাক অসি খরুংপাৎকী লম অসি সর্ভে তৌবদা শেমদোক শেমজিন য়াম্না তৌবা, অমদা অমদা পানশিনবা, মহাক্কী মথক্তা ফত্তবা রেকোর্দ লৈবদগী চান্দেলদা ত্রান্সফর থাবনি।

গভর্ণমেন্টকী ত্রান্সফর ওর্দর অদু ইন্দবা অমসুং ৩৩-খাঙবোককী লেন্দ রেকোর্দ অসি মহাক্কী মহুত্তা লাক্লিবা মীওই অদুদা শিন্নৌ হায়বা য়াদবগীদমক মহাক অসি মথৌ তৌনিংদবা মীওইনি হায়না খল্লগা থবক্তগী সসপেন্দ তৌরে। মহাক অসি লেন্দ রেকোর্দ কম্প্যুটরাইজেসন তৌবা মতমদা শেমদোক শেমজিন তৌবগী ৱাফম লাকপদগী থিজিল্লবা মতুংদা এক্সন লৌখৎপনি।

এ ইবোতোন সিংহ, এস কে ইন চার্জ রেজিষ্ট্রার কানুঙ্গু দাইরেক্টোরেট ওফ সেট্টলমেন্ট এন্দ লেন্দ রেকোর্দ, মণিপুর অসিনা কৌব্রুক্তা জাতি অসিগী লেমজনফম ওইবা মফম অমা ওইনা শেমগৎকদৌরিবা অমসুং ষ্টেট অসিগী লন ওইগদৌরিবা নেস্নেল স্পোর্ট য়ুনিভর্সিতি শানবা লম অসিদা হন্দক্তা গভর্ণমেন্টকী অয়াবা য়াওদনা দাক চিঠা পীথোক্লম্বনি।

গভর্ণমেন্টনা লৌখৎলিবা খোঙথাং অসি অতৈগী নত্তে। মীয়ামগী ৱাখলদা রেভিন্যু দিপার্টমেন্ট অসি অফবা মমি তাদবা, শেরান তুরান তৌবা ওইনা উরিবা অসি মতুংদা অসিগুম্বা থবকশিং অসি চথবা য়ারোই হায়দুনা খঙহন্নবনি। নিতি নিয়মগী মতুংইন্না থবক তৌবদা গভর্ণমেন্টনা অয়েৎপা লৈরোই।

খোঙথাং অসিগী মপুং ওইবা ৱাখল্লোন্দি অরানবা থবক তৌবা য়ারোই হায়বদুনি।

অমরোমদা হৌখিবা দিসেম্বর ৪ দা এস দি ওশিং, এস দি সিশিং, জিল্লাদারশিং, মন্দলশিং পুন্না শরুক য়াদুনা দি সি ইম্ফাল ৱেষ্ট এন জিওফ্রি য়াওনা পুন্না মীফম পাঙথোক্তুনা থম্মোয় শেঙনা থবক তৌদুনা প্রজাশিং ৱাহল্লোইদবা মওংদা থবক তৌসি। লোয়ননা রেভিন্যু তেক্স অসি হেন্না খোমগৎপা ঙম্নবা হোৎনসি হায়না শেমখিবনি।

মীফম অদু পাঙথোক্লবা মতুং নুমিৎ ১০ নি শুরকপদা রেভিন্যু ওইনা লৌখৎফম থোকপা প্রোসিদ্যুর লৌখত্তুনা লুপা লিশিং ৫০ নিংথৌজম ইবোচৌবা জিল্লাদার এস দি ও ওফিস বিষ্ণুপুরদা মনা অসি পীবনি।

গভর্ণমেন্টকী অপান্বদি অফববু পুক্লিং থৌগৎপা অমসুং ফত্তববুনা মদু চুমথোক্লবা তাঞ্জা পীবনি হায়খি। মথংগী জনুৱারি ২৬তা এন ইবোচৌবা অসি রেভিন্যু দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী দিষ্ট্রিক্টকী থাক্তঃ মহাকপু মনা পীনবা রিকমেন্দ তৌগনি। অফবদা পুক্লিং থৌগৎকনি। লোয়ননা ষ্টাফশিংনা প্রজা ৱাহনবা য়াবা মওংদা থবক তৌদনবা পাউজেল অদু পীনিংই হায়খি।

পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা পাউগী মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা কম্মিস্নার রেভিন্যু টি ঐচ চিত্তরঞ্জননা হায়, লমগী তেক্স অসি ইং ১৯৯৩দা অমুক হেনগৎখ্রে। মদুগী মখা তারকপদা ইং ২০০৩ দা অমুক হেনগৎখিবা লৈখ্রে।

মদুগী মখা তারকপদা ঙসি ফাওবা লমগী খাজনাগী চাং অসি হেনগত্তনা লাক্লি। অমরোমদা লমগী মমল অসিদি হায়নিঙাই লৈতনা ৱাংখৎখ্রে। ইং ২০০৩দা লৈরম্বা লমগী মমলদগী শরুক ২০ হেন্না হেনগৎখ্রে। মরম অসিনা রেভিন্যু দিপার্টমেন্ট অসি হেন্না মপাঙ্গল কনখৎনবা অমসুং রেভিন্যু দিপার্টমেন্টকী লেন্দ রেভিন্যু অসি ষ্ট্রিমলাইন তৌনবগীদমক তেক্স হেনগৎনবা খোঙথাং অসি লৌরকপনি হায়খি।

# জিরিবাম টাউন ওপন দিফেক্সন ফ্রি ওইরে হায়না লাউথোকখ্রে

*জিরিবাম, দিসেম্বর ২৮ঃ*

জিরিবাম ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী মনুং চনবা জিরিবাম টাউন এরিয়া ওপন দিফেক্সন ফ্রি (লক্ষাংদা অমাং অশোই তৌশিনদবা) ওইরে হায়না লাউথোকখ্রে।

জিরিবাম ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী একজিক্যুটিব ওফিসার এম রাজেন সিংহনা ঙসি থোকখিবা চেরোলনা হায়, জিরিবাম টাউনবু ওপন দিফেক্সন ফ্রিনি হায়না লাউথোক্লবা চৎলিবা থা অসিগী ১৩দা থোকখিবা নোটিফিকেসন অমনা মীয়ামদগী ওবজেক্সন নৎত্রগা ক্লেমনচিংবা কৌখিবা অদু ঙরাং ফাওবদা কনাগুম্বা অমত্তদগী ৱাকৎ লাকপা লৈখিদ্রি। মদুনা মরম ওইরগা ঙসি ফমখিবা জিরিবাম ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী মিটিংনা লৌখিবা ৱারেপ নম্বর ১গী মতুং ইন্না জিরিবাম টাউন পুম্বা ওপন দিফেক্সন ফ্রি ওইরে হায়না লাউথোকপনি।

# নুমিৎ নীনিগী ইন্টর্নেসনেল কনফরেন্স ঙসিদগী হৌরগনি

*ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ঃ*

ফেদরেসন ওফ গভর্ণমেন্ট কলেজ টিচর্স এসোসিয়েসন মণিপুর (ফেগোক্তা)না দি এম কলেজ ওফ আর্টস, জি পি ৱুমেন্স কলেজ অমসুং ইন্সটিট্যুট ওফ বাইও রিছোসের্স এন্দ সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট ইম্ফালগা খূৎশম্নদুনা ‘সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট এন্দ নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া ইন দি গ্লোবেলাইজ ইরা’ হায়বা হিরমদা নুমিৎ নিনি চত্থগদবা ইন্টর্নেসনেল কনফরেন্স হয়েং ইরাই নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১দা হেটেল ইম্ফালগী সঙাই কনফরেন্স হোলদা হৌদোক্লগনি।

কনফরেন্স অসিগী কনভেনর ডা. এন সোমোরেন্দ্রো সিংহনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, নুমিৎ নিনি চত্থগদবা কনফরেন্স অদুদা মপুং ওইনা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়াগী ইকোনোমিক, ইনভাইরোন্টমেন্ট, বাইও রিছোর্সেস, এদুকেসন, হেল্থ জেন্দর ইক্কেলিটি, বেলেন্স দিভলপমেন্ট জষ্টিস অমসুং ইনক্লুসিব সোসাইটিদা শীংনরক্লিবশিং অসিদা মপুং ওইনা মীৎয়েং থমদুনা খন্নগনি হায়রি।

# য়াইরিপোক্তা মেদিকেল কেম্প পাঙথোকখ্রে

*ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ঃ*

৯ সেক্টর অসাম রাইফলসকী ২৬ শুবা বট্টালিয়ান অসাম রাইফলসনা শীন্দুনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা য়াইরিপোক্তা ঙরাং ফ্রি মেদিকেল চেক অপ অমদি এৱেয়ারনেস কেম্প পাঙথোকখ্রে।

আই জি এ আর (সাউথ) কী পি আর ওনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, কেম্প অদুদা ২৬ অসাম রাইফলসকী রেজিমেন্টেল মেদিকেল ওফিসারনা হেল্থকা মরী লৈনবা ইশু অমসুং জেনরেল ওইনা অনা লায়েংগী লমদা তঙাইফদবশিং অদু নীংথিনা খঙহনখি। নুপী অমসুং অঙাং য়াওনা শরুক য়াখিবশিংদা হিদাক লাংথকসু লেম্না য়েন্থোকখি। তুংদা খুঞ্জাশিংগা পুন্না চা থকমিন্নখি হায়রি।

# হোম গার্দ এসোসিয়েসনগী মীফম পাঙথোকখ্রে

*ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ঃ*

মণিপুর হোম গার্দ ইমপ্লোইয়িজ ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট ৱাই মঙ্গি সিংহনা ময়াই ফমদুনা ঙসি এসোসিয়েসন অসিগী জেনরেল বোদি মিটিং জি এম হোল ইম্ফালদা পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী মীফম অদুদা মথং টার্মগী থৌ পুনবা মেনেজিং কম্মিটি অমা য়েৎনবা লৈতনা শেমখ্রে। কম্মিটি অসিগী অথুবা মীফম কৌদুনা প্রসিদেন্ট, সেক্রেটরী য়াওনা অতৈ থৌ পুগদবশিং খন্নবগীদমক হৌজিক হৌজিক জেনরেল সেক্রেটরী ওইনা থৌ পুরিবা খাইদেম ইনাওবী দেবীবু কনভেনর ওইনা খনখ্রে হায়রি।

লমায় ১ গী মখা

## ভেটি এন্দ এঐচ সেক্রেটরীদা...

ওর্ডরসিদা দিঙ্গ অসিগী প্রিসাইদিং ওফিসার ওইনা জেসি রামথাঙ্গাবু খল্লে অদুগা মসিগী প্রিভেন্টিং ওফিসার ওইনা দিপার্টমেন্ট অসিগী ইন-চার্জ জোইন্ট দাইরেক্টর (প্লান্নিং)ডা. সিঐচ নন্দকিশোরবু খল্লে হায়খিবনি। অদুগা ওর্ডর অসিগী করিজেন্দম ওর্ডর অমসু মথংগী নুমিৎ আগষ্ট ২৬,২০১৭তা থোকখিবনি হায়রি।

অদুবু দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী থোরক্লিবা ওর্ডর অনীমক ভেটেরিনারি ওফিসার ডা. এস ইন্দ্রনা মসিগী মমাংদা দিপার্টমেন্টসিদা সবমিট তৌখিবা চেরোলগী ৱাংমদনি হায়বগা লোয়ননা চার্জশিটসু য়াওদে হায়দুনা লিগেল নোটিশ অসি থাখিবনি হায়রি।

লিগেল নোটিশ অসি কোড ওফ সিভিল প্রোসিদ্যুর, ১৯০৮কী সেক্সন ৮০গী মখাদা পিটিস্নর অসিদা লুপা ৭০,১০,০০০গী শেনফম কম্পেন্সেসন ওইনা পীনবা থাখিবনি হায়রি।

## শক্তি পায়দ্রবসু মীয়ামগী সেবা ...

প্রজাশিংবু অপংবা শিরগা ঙাইহাক্তঃংগী ওইনা পংথনবা হোৎনবদি য়াই অদুবু কুইনা চৎলোই। মণিপুরদা লৈমিন্নরিবা ঐখোয় খুদিংমক নুংশিননা চান্ন চিন্ননা লৈমিন্নসি হায়রবদি কংগ্রেসনা ওইরবসু অতোপ্পনা ওইরবসু সাসন তৌবা মতমদা হান্না শোত্থনা লৈরন্নবা মফমশিং অদু খঙদোক্লগা অমমতা ওইনা তৌরম্বা ময়াম অদু থবক্লা উৎকে।

কংগ্রেসনা তৌরম্বা ময়াম অদুনি হৌজিক অনৌবা গভর্ণমেন্ট অসিনা শঙ্গানবা থিরিবসি। থৌবাল দাম, দোলাইথাবী প্রোজেক্ট অসি লোইশিল্লগা থন্নম্বা শঙ্গাবা নংলমদবা অদু মখোয়না শঙ্গারগা কংগ্রেসনা লোইশিনবা ঙম্নমদবা অদু মখোয়না লোইশিল্লে হায়রিবনি।

কংগ্রেসনা চহি ১৫দা লোইশিনবা ঙম্নমদবা অচৌবা প্রোজেক্ট অদুগুম্বা অমতং মখোয়গী মতমদা নৌনা পায়খত্তুনা লোইশিনবীয়ু, লাই ওইনা খুরুমজগে হায়খি। মখোয়না অসিগুম্বা অরানবা কয়া অসি ঙাঙলগা কংগ্রেস পার্টিদি নিংহন্নবদি লায়রবদুনা হেন্না হেন্না শক্তি হাপ্লিবনি হায়খি।

শক্তি পায়বখক্তুনা মীয়ামগী সেবা তৌবনি হায়বা য়ারোই। শক্তি পায়দ্রবসু মীয়ামগী সেবা তৌবা য়াগনি। শক্তি পায়দ্রবা মতমদনা হেন্না কদায়দা করি অশোয়বা লৈবগে হায়বদু হেন্না উবগুম তৌই হায়খি। গভর্ণমেন্ট অসিনা লাওথোকখিবা ময়ামগী মরক্তগী অসিমদি পায়খৎলে হায়বদু মীয়ামদা থম্বীয়ু খুবাক খুজগে হায়খি।

হান্নগী দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর গাইখাঙমনা হায়, কংগ্রেস পার্টি অসি লৈবাক্কী চিরবা ৱারবা মতমদা থেংননবা শেমখিবা পার্টিনি। মালেমদা নুমিৎ তাদে হায়নরিবা বৃটিশশিংবু মায়োক্লনবা কখোকপগা লোয়ননা শেমখিবা পার্টিনি।

কংগ্রেস পার্টিনা মতম শাঙনা অৱা চৈনা খাঙদুনা লাকপা অদুনা ঙসি ফাওবা ইন্দিয়াদা হিংদুনা লৈরকপনি। কংগ্রেস পার্টি অসি লৈবাক অসিবু নিংতমহনখিবা পার্টিনি।

ইন্দিয়ানা চাউখৎ লমজেলদা মাঙজিল থারকপা অসি কংগ্রেসকী হোৎনজমনগী মহৈনি। ঙরাং নহান্দা শেমখিবা পোলিতিকেল পার্টি চাউপোক খরনদি কংগ্রেসনা তৌরম্বা থবকশিং অসি মখোয়না তৌরম্বগুম্না ঙাঙ শক্লি। মখোয়শিং অসি খ্বাইদগী চাওবা খুদোংথিনিঙাই ওইবা কাঙবুনি।

ইন্দিয়া নিংতল্লবা মতুংদা লিংবা পার্টিশিং অসিনা ঙরাং নহান্তা লিংবা ওইবনা মখোয়দি অৱাবা অদু খঙলক্তবনা ঙাঙনিংবতা ঙাঙ শক্লি।

কংগ্রেস পার্টি নত্তনা অতৈ পার্টি ইন্দিয়াগীদমক খনবা লৈতে হায়বসি ঙসিদি মীয়াম্মা খঙনরক্লবনি। ঙাইহাক্কী মালহনবনা কুইনা চৎলোই। দ্রামা তৌবদি কুইনা চত্তবনি। মরম অসিনা কংগ্রেস ৱার্কর পুম্নমক্না অফবা লৈঙাক অমা লৈহন্নবা হনবা লৈতনা হোৎনসি হায়না গাইখাঙম্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা এম পি সি সিগী প্রসিদেন্ট টি এন হাউকিপনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুগা মরি লৈননা পার্টিগী প্রসিদেন্টনা পার্টিগী ফিরাল চিংখৎখি।

# ওইররোইদবা সিৱরেজ প্রোজেক্টনি ঃ দিপ্যুতি চীফ মিনিষ্টর



এস এন এস

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ ঃ মণিপুরদা হৌজিক পায়খৎলিবা ইম্ফাল সিৱরেজ প্রোজেক্ট অসি মায় পাক্লোইদবা শেল মাঙলগদবা প্রোজেক্ট অমনি হায়না মণিপুর গভর্ণমেন্টকী দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

লমদেং মখা লৈকাই লম্পাক্তা ঙসিদগী হৌরগা মথং থাগী ৮ ফাওবা চত্থগদবা ৩ শুবা শিংজু ফেষ্টিভেলগী হৌদোকপগী থৌরমদা অথোইবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখিবা দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমারনা হায়, মমাংগী মতমদা পি ঐচ ই দিপার্টমেন্টনা মণিপুরদা তৌরোইদবা থবক কয়া তৌরম্বা থেংনখি।

ফাইনান্স মিনিষ্টরগী থৌসু পুরিবা দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, লুপা ক্রোর কয়া থাদদুনা ইম্ফাল মনুংদা পায়খৎলিবা সিৱরেজ প্রোজেক্ট অসি ওইথোক্লরোইদবা প্রোজেক্টনি। মসিদা লুপা ক্রোর কয়া থাদদুনা মাঙহলম্বগী মহুত্তা মীয়ামগীদমক থক্লবা ঈশিং পীনবা ৱাটর সপ্লাই স্কিম কয়া পায়খৎলম্বনা হেন্না ফরমগদবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, মফম খুদিংগী মতেক মতেক ঠিকা পীবা য়ানবা মওংদা পায়খৎপা প্রোজেক্ট অসিনা য়াল্লবা শেনফমশিং মাঙহনগদৌরি।

ফ্রেঞ্চনা প্রোজেক্ট অসি চাংয়েং ওইনা মণিপুরদা পায়খৎহনবনি। অসিগুম্বা প্রোজেক্ট অমত্তা ইন্দিয়া অমসুং মালেমগী লৈবাকশিংদা তৌবা লৈতে। হন্দক্তা পি ঐচ ই দি ওফিসিয়েল খরা লাক্তুনা মসি লোইশিন্নবা শেনফম পীবিনবা হায়জরম্বা লৈ। অদুবু মসিগী প্রোজেক্ট অসি তেক্লিকেল এক্সপার্টশিং য়েংহন্দুনা মসি মায় পাক্কনি পাক্লোই হায়বদু য়েংলবা মতুংদা শেল অদু পীগে হায়না থাদোকখিবনি হায়খি।

মহাক্না হায়, শিংজু হায়বসি মণিপুরগী লৈরিবা নাৎকা তৎন থানবা য়াদ্রবা চিঞ্জাক্কী মচল অমা ওইরিবনি। মসিগী তোপ তোপ্পা মশক অদুতা নত্তনা অহিংবা মনা মশীংশিং শিজিন্নদুনা শেম্বা শিংজুদা য়াওরিবা হকচাংদা কান্নরবা মচাকশিং অদু নিংথিনা য়োকখত্তুনা থম্বা অসি তঙাইফদবা অমনি। লোয়ননা মসি মীয়ামদা খঙহনবগী তঙাইফদবা লৈ।

মীতৈশিংনা শিংজু অসি চহি চুপ্পা চান্নবা চিঞ্জাক্লি। মতম মতমগী মতুংইন্না শিংজুগী ময়ালসু হোংলিবনি।

শিংজু য়োকখৎপদা নত্তনা ফেষ্টিভেল অসিনা লমদম অসিগী তোপ তোপ্পা কলচরগা শাগোন্নদুনা লাক্লবা মচাকশিং , চৎনবী কয়াসু য়োকখৎনবা পান্দম থল্লকপা অসি নুংঙাইবা ফাওই।

লিকোল শান্নবা, অরাম্বাই, কাঙ, মুক্লানচিংবা অসি ফেষ্টিভেল মনুংদা উত্তুনা মীয়ামদা মপুং ওইনা অসিগুম্বা কয়া অসি খঙলুদ্রবা অঙাংশিংদা খঙহন্নবা হোৎনবা অসি মপুং ওইবনি হায়খি।

লমদেংগী প্রজাশিংনা হৌজিক সোলিদ ৱেষ্টকী প্রোজেক্টনা মীয়ামদা খুদোংচাদবা মায়োক্লহনলিবা অসি য়েংশিনগনি। লোয়ননা লৌখৎপা য়াবা করি লৈবগে হায়বদু য়েংশিনগে হায়খি।

থৌরম অদুদা ইকাই খুম্নরবা মীথুংগী ৱারোলদা হান্নগী লমশাং কেন্দ্রগী এম এল এ দব্লিউ ৱ্রজ বিধুনা হায়, শিংজুগী ময়ালগুম্না মণিপুরদা লৈরিবা জাতি ফুরুপশিংগী মরক্তা হেন্না চেৎশিনবা মরি অমা শাগত্তুনা অপুনবা মণিপুর অমা শেমগৎনবা পান্দমদা চংশিল্লক্লিবা ফেষ্টিভেলগী ৱাখল্লোন অসি থাগৎলি। ফেষ্টিভেল অসিনা পীরিবা মেসেজ অসি মীয়ামদা য়ৌহনবা তাই হায়খি।

হৌজিক লমদেংদা লৈরিবা সোলিদ ৱেষ্ট প্রোজেক্ট অসিগী মনম অমসুং মচুম্না লমদম অদুদা লৈরিবা মীয়ামদা অৱাবা খুদোংচাদবা থোকহল্লিবা অদু গভর্ণমেন্টনা য়েংশিনবীয়ু হায়খি। লোয়ননা মসি শাগৎলকপা তমদা মীয়ামগা য়ান্নখিবা ৱাফমশিং অদু নিংথিনা ঙাক্লা চৎহনবীনবা আপীল তৌখি।

থৌরম অদুদা ফেষ্টিভেল কম্মিতিগী চেয়ারমেন ডা. এস মনাউতোননা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি।

# পরাওলোন ভিলেজ অমসুং চর্চকী গোল্ডন জুব্লি পাঙথোকখ্রে



*চান্দেল, দিসেম্বর ২৮ঃ*

চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা পরাওলোন ভিলেজ অমসুং চর্চকী চহী ৫০ শুরকপা গোল্ডন জুব্লি থৌরম ঙসি ভিলেজ অসিদা পাঙথোকখ্রে।

এম বি সিগী ফাইনান্স সেক্রেটরী রেভ. এস আর কোন্সিমানা স্পিকর ওইদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ভিলেজ অসিগী পাইওনর রেভ. আর খুল্লর, এল এন দি এগী একজিক্যুটিব সেক্রেটরী কে খুল্লর, লোকেল পাষ্টর এস কে বুংটিভি, পরাওলোন ভিলেজগী চীফ জেমস দিলবুং জুব্লি কম্মিটিগী কনভেনর এস কে লারসিং, এ দি সি চান্দেলগী ভাইস চেয়ারমেন টি ঐচ জয় লমকাং, মেম্বর টি এস কনলুন, য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিল (য়ু এন সি)গী স্পিকর দল্লীয়ু এস কনরাল অনাল এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরী গবরিল চিনির, সি এন পি ও চান্দেলগী প্রসিদেন্ট এল ভি রোবার্দ, এল এন কে কেগী প্রসিদেন্ট দি থমদোক ফ্রান্সিস, মরীশুবা অসাম রেজিমেন্টকী সি ও কর্নেল মহেস সিংহ পনৱার, সুবেদার মেজর প্রোধিপ ভুয়ান, মেজর মনিস, তোঙান-তোঙানবা ভিলেজশিংগী চীফ, ধর্ম্মগী লুচিংবশিং, সি এস ওগী লুচিংবশিং অমদি খুঞ্জাশিং য়াওনা পুন্না মীওই লিশিং ১ রোম শরুক য়াখি।

পরাওলোন ভিলেজগী পাইওনর রেভ. আর খুল্লরনা ফিরান চিংখৎপগা লোয়ননা জুব্লি বেলুন পায়হন্দুনা থৌরম অদু হৌদোকখি। স্পিকর ওইখিবা এম বি সি ফাইনান্স সেক্রটরী রেভ. সি আর কোন্সিমানা গোল্ডন জুব্লি নীংশিং য়ুম্বীগী মায়খুম হাংদোকখি অদুগা এল এল বি এগী একজিক্যুটিব সেক্রেটরী রেভ. খুল্লরনা সোভিনিয়ার অমসু ফোঙদোকখি।

পরাওলোন ভিলেজগী চীফ জেমস দিলবুংনা ফোঙদোকখিবদি হান্না কঞ্জম / সোংলুন, কোটক খুন্থুক অমসুং লুংমী হায়না মচোই মচোই তারম্বা খুল অহুম ১৯৬৭দা পুনশিল্লগা পরাওলোন ভিলেজ অসি শেমখিবনি। ভিলেজ অসি শেম্বদা লৈখিদ্রবা রেংতাকনোং দিলবুং অমসুং হৌজিক রেভরেন্ট ওইরিবা আর খুল্লরনা পাইওনর ওইখি।

পরাওলোন ভিলেজ অসি চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ইম্ফাল মোরে লম্বীগী তেংনৌপল মনাক চামোলদগী মখা রোমদা কিলোমিটর ৩৯ রোম অদুগা চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বাটরদগীনা খা নোংপোক্তা কিলোমিটর ২৫ রোম চৎলগা ইম্ফাল মোরে লম্বীদগী ন্যু সোমটাল লম্বীগী মনাক্তা লৈবা লমকাং কাংলুপ্না খুন্দাবা মফম অমনি হায়রি।

লমায় ১ গী মখা

## মপান লৈবাকশিংদগী মণিপুরী কলচরগী মরমদা...

দিপার্টমেন্ট অসিগী বজেট পীকচরবসু থবকশিংদি পায়খত্তবা তৌদবা য়াদবা ঙাক্তা ওইরিবনি। অসিগুম্বা য়ুনিভর্সিটি অসি শানবা লম অমা ক্ষেত্রিগাউ কেন্দ্রগী এম এল এ এন ইন্দ্রজিৎনা হোৎনদুনা নোংমাইজিং চীংখোঙমদা অসিগুম্বা ফজরবা লম অমা পীবিবগীদমক থাগৎলি।

হৌজিকমক্কী ওইনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর শানবা শেল বজেটতা য়াওদ্রবসু মসিগী থবকপু হৌখ্রবদি শোয়দনা শেল লাকচরগনি। মরি লৈনবা দিপার্টমেন্ট অসিবু পায়বা মিনিষ্টর অমা ওইনা য়ুনিভর্সিটি অসি শানবা থবক পায়খৎকনি হায়খি।

থবক অসি পায়খৎপা মতমদা মীয়মগী চাউরবা মতেং দরকার লৈ। মীয়ামগী মতেংনা থবক অসি মপুং ফানা পায়খৎপা ঙমগদৌরিবনি হায়খি।

হৌজিক লৈরিবা লম অসিখকতনা য়ুনিভর্সিটি অসিগী দরকার লৈবা অদু কোন্নরোইদবনা অহেনবা লম দরকার লাকখিগনি। চাউখৎ থৌরাংগী থবক পায়খৎপা মতমদা মীয়াম্নসু কখোকপগী হৈনবী থমসি হায়খি।

থৌরম অদুদা ক্ষেত্রিগাউ কেন্দ্রগী এম এল এ এন ইন্দ্রজিৎনা হায়, মহাক মশামক আর্ট এন্দ কলচরগী লমদা ঙাওজবা মীওই অমা ওইনা হৌরকপনি। মহাক মশামক অঙাং ওইরিঙৈদা পুঙ য়ৈবা আর্টিষ্ট অমা ওইনা হৌরকখি।

ঙসি মীয়ামগী মীহুৎ ওইবা মতম অসিদা ঈশ্বরগী থৌজালদগী কেন্দ্র অসিগী মনুং চন্না অসিগুম্বা লেমজ নিঙাই ওইরবা য়ুনিভর্সিটি অসি শাবা ফংবা অসি নুংঙাইবা ফাওই। লোয়ননা কলচর য়োকখৎনবা হোৎনবদা মতেং খরদং ওইরবসু পাঙবা ঙম্লে।

মতম শাংনা য়ুনিভর্সিটি অসিগী লম লৈতবা কেম্পস শাগৎপা হৌগৎপা য়াদনা লাকপা অদু ঙসিদি মফম ফংলবনিনা মহৈরোইশিং অমসুং য়ুনিভর্সিটি অসিদা থবক তৌরিবশিংনা মায়োক্লরিবা অৱাবা অদু কোকহনবা ঙম্লগনি হায়খি। য়ুনিভর্সিটি অসি শাবগী থবক পায়খৎলকপদা ৱাখ, লৈতম্বী অমসুং নহারুপ খোঙজিলগী মীয়াম্না মতেং পাঙবীয়ু অমসুং চাউখৎপা কেন্দ্র অমা ওইহন্নবা হোৎনমিন্নসি হায়খি।